# মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম ...

*লমায় ১গী মখা...* ফেমিলি পার্টি (য়ু এফ পি) গী মীরেপ ওইগনি হায়রকখিবা ঙাসেপম নিলকান্তনি। অদুবু ইন্নরগীদমক মীরেপ ওইননবা নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবশিংগী স্ক্রুটিনি থা অসিগী ২৮দা পাঙথোকখিবদা য়ু এফ পিগী ঙাসেপম নিলকান্তগী মীরেপ চে মরী লৈনবা রিটর্নিং ওফিসরনা রিজেক্ট তৌখি অদুগা আর কে সোমোরেন্দ্র (কাইকু) অমসুং মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাববুনা এম পি পি অমসুং আর জে এস পিগী মীরেপ ওইবদা রুলগী মতুংইন্না য়াদবা লৈরম্বদগী ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা থেংননবা অয়াবা পীখিবনি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি, ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরগনি হায়দুনা ইহান হান্না লাউথোকখিবা সী পি আইগী এল সোতিনকুমারদি পার্টি অসিনা কোংগ্রেসকা চৎমিন্নরিবা ৱাখল মান্নবা পার্টি ১০গী কম্মন কেন্দিদেট পুথোরক্কনি হায়বদা য়ানবদগী নোমিনেসন ফাইল তৌখিদে।

অমরোমদা, আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌরকখিবা মীরেপশিংনা কোংগ্রেস অমসুং ৱাখল মান্নবা পার্টিগী কম্মন কেন্দিদেট ওইনা অলফ্রেদ কানঙম অর্থর, এন পি এফকী কাচুই তিমোথি জিমিক অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিং ওইনা অলিসন অবোনমাই অমসুং য়ু এন সীগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস খো জোননি।

ইন্নর অমসুং আউটরদা মীরেপ ওইরগনি হায়দুনা নোমিনেসন পেপরশিং ফাইল তৌরকখ্রবসু ঙসি মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম ফাওবদা স্ক্রুটিনিদা য়াখ্রবা মথংশিংনা ইন্নর অমসুং আউটরগী মীরেপ ৬ অমসুং ৪গী মরক্তগী কেন্দিদেট অমত্তনা মখোয়গী নোমিনেসন পেপরশিং ৱিথদ্রো তৌখিদবদগী মীখল অসিদা লম্বা তৌনরগনি।

বি জে পিগী ওইনদি হন্দক্কী মীখল অসিদা আউটর মণিপুরদা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না মখোয়গী মীরেপ থাগৎলকখিদ্রে। মসিগী মহুত্তা ষ্টেট লৈঙাক পায়মিন্নরিবা এন পি এফকী কেন্দিদেটতা শৌগৎলগনি হায়খিবা লৈরে।

তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা ইন্নরদনা অপূনবা ভোটর ৯,৮৯,৮৮৭না ভোট থাদনগনি অদুগা আউটরদনা অপূনবা ভোটর ১০,৩৬,৭৩৬না ভোট থাদনগদৌরিবনি। মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম লোইশিনখিবগা লোয়নননা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীদা লম্বা তৌনরগদবশিংনা হান্নদগী হেন্না কনশিন্না ইলেক্সন কেম্প্যেনশিং চত্থবা হৌনখ্রে।

নাকল অমরোমদা, তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী লোক সভা মীখলদা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরিবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ইলেক্সন কেম্প্যেনদা শরুক য়াগদবা মীওই ৪০/৪০গী মমিংশিং লাউথোকখ্রে। কোংগ্রেসকী ওইনা থা অসিগী ২৭তা ঈ সী আইদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গে, পার্টিসিগী লুচিংবা সোনিয়া গান্ধী, রাহুল গান্ধী, প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্র, জয়রাম রামেস, গিড়িস চোরানকড়, শশি থারুর, সলমান খুরসিদ, ইমরান প্রটাপ গড়হি, জয়তা লাইফিয়াং, কহৈয়া কুমার, কে মেঘচন্দ্র, ও ইবোবী, গাইখাঙম, কে রঞ্জিৎ, টি এন হাওকিপ, এম ওকেন্দ্রো, এন লোকেন, টি ঐচ লোকেশ্বর, সূর্য্যকুমার ওক্রম, ডা. টি মৈন্য, থাংসো বাইতে, টি মঙ্গাৱাইফৈ, ফজুর রহিম, ভিক্টর কৈসিং, কে ঐচ দেববর্ত্ত, ও জয়, কে ঐচ রতনকুমার, এ কে মিরাবাই, পি সরতচন্দ্র, অমিন শাহ, বিদ্যাপতি সেঞ্জম, এল তিলোতমা, হরেশ্বর গোশ্বামি, লমতিন্থাং হাওকিপ, এন ভুপেন্দ, অলকা লম্বা, শ্রীনিভাস বি ভি, লালজি দেসাই অমসুং বরুন চৌধুরিনি।

বি জে পিগী ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, জে পি নদ্দা, রাজনাথ সিংহ, অমিট শাহ, এ শর্দা, এন বিরেন, হিমন্ট বিশ্বা সর্ম, ৱাই পাত্তোন, সর্বানন্দ সোনোৱাল, টেঞ্জেন ইমনা অলোং, সম্বিট পাত্রা, টি ঐচ বিশ্বাজিৎ, ৱাই খেমচান্দ, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, টি ঐচ বসন্তকুমার, এস রঞ্জন, এল সুসিলদ্রো, ঐচ দিঙ্গো, লৈশেম্বা সনাজাওবা, আর কে রঞ্জন, রাজুবিস্তা, দিঙ্গাংলুং গাংমৈ, এল রামেশ্বর, টি ঐচ শ্যামকুমার, কে ঐচ ইবোমচা, কে ঐচ রঘুমনি, আর কে ইমো, এস রাজেন, করাম শ্যাম, এস কেবি, কোঙ্খাম রোবিন্দ্রো, টি রোবিন্দ্রো, এস প্রেমচন্দ্র, এস এস ওলিস, টি ঐচ অরুনকুমার, অন্তাজ খান, লাঞ্জাগাই কামৈ, অনুৱার হুসেন, অভে কুমার গিড়ি অমসুং কে ঐচ জয়কিষণনি।

## ইরাক্লবদা ১ শিরে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস):** য়াওশঙ হৌবা নুমিৎ থা অসিগী ২৫গী অয়ূক পুং ১১.২৫ রোম তারকপদা চরাংপাৎ ময়ায় লৈকায়গী পৃখ্রি অচৌবদা ইরাক্লবদগী লৌখৎতুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা মতুংদা কনবা ঙমদনা অসামদগীনি হায়বা সঞ্জয় বর্লা (২৪) কৌবা মীওই অমা লৈখিদ্রে।

## শুগুনুদগী মণিপুর রাইফলস লৌথোকপা য়ারোই হায়দুনা ঈরাং হৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** কুকি মিলিটেন্টশিং মায়োক্লনবগীদমক সেরৌ লমখাইদা থল্লকখিবা ৮শুবা মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেল খরা লৈঙাক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা শীজিন্নগনি হায়না লৌথোক্লবা হোৎনরকপদগী শুগুনুগী মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখ্রে।

মীয়ামগী ঈরাং অদু ঙসি অয়ূক ৮শুবা এম আরগী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদগী গাড়ী থারক্তুনা পর্সনেল খরা লৌথোক্লবা হোৎনরকপদগী হৌরকখিবনি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগী মতাংদা শুগুনু অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট এম সঙ্গিতানা হায়, শুগুনু অমদি সেরৌ অসি হৌজিক রেদ জোন ওইদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মতম অমদা হেক্তা এটেক চত্থরকপা য়ারিবনি। ঙরাংসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা সোসল মীদিয়াদা ইলেক্সনগী সিক্যুরিটি লৌথোক্লখিবা য়েংলগা শুগুনুদা অমুক হন্না এটেক তৌরক্কনি হায়না কিহল্লকপসু লৈখি হায়রি।

অসিগুম্বা ফীভমসিদা লৈঙাক্লা মীয়ামগী পূন্সি কনবদগী ভোটনা হেন্না মরু ওই হায়বগী মওংদা সেরৌ লমখাইদগী এম আর পর্সনেল ১৫ লৌথোক্লবা হোৎনরকপা য়ানীংদে। করিগুম্বা মখা তানা পর্সনেলশিং লৌথোক্লবা হোৎনরক্লবদি মীয়াম্না চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

## রিলিফ কেম্পতা লৈখিদ্রবীগী লান্ন-থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** মোরে ৱার্দ নম্বর ৪ প্রেমনগরদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ময়াং ইম্ফাল চরোইবুংদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদা খঙহৌদনা লৈখিদ্রবী হিদম ইবেম্মগী লান্ন-থৌরম ঙসি রিলিফ কেম্প অসিদা লাইনীংগী চৎনবী মতুংইন্না পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী ঐচ আর দি দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি নীংতম্বা, রিলিফ কেম্প কম্মিটি, মীতৈ কাউন্সিল মোরে অমসুং ময়াং ইম্ফালগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা লান্ন-থৌরম পাঙথোকখিবনি। লৈখিদ্রবীগী মচানুপা অদুবুনা চঙাঙ্গৈ উচেকোন্দা লৈবা গিতাঞ্জলি ওটো মোবাইলগী প্রোপ্রাইটর ওইনাম ওকেঞ্জিৎনা মহাক্কী কম্পেনিদা থমদুনা মী ওইননবা শেন্বীরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## এক্সিদেন্টদা ১ শিরে, ৪ শোক্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৭কী নুমিদাং পুং ৮.৫৫ রোম তারকপদা লিলোং তাইরেল মখোঙদা হোন্দা এক্টিভা অমগা মোটোর সাইকল অমগা থেঙ্গাইনবদা লিলোং তুরেল অহনবী দারুল উলুম মনাক্তগী এম দি রাকিস (১৬) অপোকপা ৱাহাজউদ্দিন কৌবা নহা অমা লৈখিদ্রে অদুগা অতোপ্পা মীওই ৪না শোক্তুনা লায়কন্নখি।

## সুপ্রিম কোর্টনা 'ইলেক্টোরেল বোন্দস ...

*লমায় ১গী মখা...* মতাংসিদা পনবা য়াবদি সুপ্রিম কোর্টনা বোন্দস স্কিম অসি চৎনবা য়াররোই লাউথোকখিবগা লোয়নননা স্কিম অসিগী খূত্থাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা পীরকখিবা শেনফমশিং অমসুং মীওইশিংগী মিং য়াওনা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা পীননবা খঙহনখিবগী মায়োক্তা এস বি আইগী মায়কৈদগী মখোয়দা পীখিবা অকক্লবা মতম অদু শাংদোকপীনবা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরকখিবা লৈখি। অদুবু কোর্টনা অয়াবা পীখিদবগা লোয়নননা ঈ সী আইদা পীফম থোকপা রিপোর্টশিং পীননবা অকনবা দিরেক্সন পীখিবনি। অদুগা ঈ সী আইদনা এস বি আইনা পীরকপা রিপোর্টশিং অদু মীয়াম খঙহন্নবগীদমক কম্মিসন অসিগী ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌরক্লবা দিরেক্সনসু পীখিবনি।

পাউগী এজেন্সী অসিনা মখা তানা হায়বদা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী মখাদা ফংখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিমগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগা এস বি আইগগী মরক্তা পাঙথোকখিবা করেস্পোন্দেন্স অমসুং ঈ-মেলশিং ফংই হায়বগা লোয়নননা এস পি এম সী আই এলগী মায়কৈদগীদি মাঙজৌননা বোন্দশিং নম্বগা লোয়নননা এস বি আইদা বোন্দ ৮,৩৫০ পীখ্রে হায়বসু খঙবা ঙম্লে হায়রি।

অদুবু ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা নম্লনবা অয়াবা পীখিবদগীনা নম্বা লেপ্পবা খঙহল্লকখিবা ফাওবদা বোন্দ ৮,৩৫০ মাঙজৌননা নম্বা লোইদুনা এস বি আইদা পীরকখ্রবসু লেমহৌরিবা বোন্দ ১,৬৫০দি মখা তানা নমদনবা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিদা ইলেক্টোরেল বোন্দস স্কিম চৎনহল্লকপদগী পূন্না বোন্দ ২২,২১৭ শীজিন্নখ্রবনি। হায়রিবা বোন্দশিং অসিগী খূত্থাংদা পীরকখিবা শেনফমশিংগী মনুংদগী বি জে পিনা লুপা ক্রোর ৮,৪৫১, কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ১,৯৫০, ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ১,৭০৭.৮১ অমসুং বি আর এসনা লুপা ক্রোর ১,৪০৭.৩০গী শেনফমশিং ফংখ্রবনি হায়নসু এজেন্সীগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

## গ্রেনেদ লংশিল্লগ্লে, নোংমৈ...

*লমায় ১গী মখা...* নোংমৈ মরূ খরসু কাপশিল্লগ্লে হায়রি। থৌদোক অসিদা গ্রেনেদ অনীমক পোকখায়দবদগী মীওই অমত্তা অশোক অপন য়াওখিদে। শীংজমৈ পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা বোমশিং অদু লৌখৎখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসি কনানা করিগীদমক চত্থরম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি।

## 'হিংমিন্নসি ঐখোয়' উৎখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** ৱাবগাই তেরা উরক্তা লৈবা এম বি কলা সঙ্গিৎ শঙ্গম বিদ্যালয়না ঈশৈগা লোয়নননা থা অমা চত্থরকপা ফোক দান্সগী ত্রেনিংগী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা ৱাবগাইগী কম্যুনিতি হোলদা 'হিংমিন্নসি ঐখোয়' উৎখ্রে হায়রি।

## 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## মীওই ২ থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

**ইম্ফাল, মার্চ ৩০ (ঐচএনএস) :** য়াওশঙ মনুংদা মফম ২দা মীওই ১/১ থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে। অহানবা থৌদোক অসি থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদা মন্ত্রিপুখ্রি কৈথেলদা লৈবা রাজকুমার মনোজ কৌবা মীওই অমগী গোদাউন কম রেন্টেদ হাউসকী চৌকিদার ওইবা চন্দ্রবহাদুর গুরুং (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা পাদম বহাদুর গুরুং কৌবা কাংপোকপীগী তোরিবারিদগী মীওই অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরমখিবনি।

অনীশুবা থৌদোক্লা থা অসিগী ২৮গী অয়ূক অঙনবদা বিষ্ণুপুর ফায়র ষ্টেসনগী মনাক্তা লৈবা অনৌবা পূন্সিকোন রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থল্লকখিবা নরানসৈনা মনীং লৈকায়দগী এস বোয়াই (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মঙ্গি কৌবা মীওই অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরমখিবনি।

থৌদোক অনীমক্কী মতাংদা হৈঙাং অমসুং মোইরাং পি এসনা কেস অমমম লৌখৎতুনা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

## বোম পোকখায়হন্দুনা ...

*লমায় ১গী মখা...* থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং পুলিসনা ফাদে হায়বগী মায়োক্তা জিরিবামদা পুং ২৪গী বন্দগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

বোম পোকখায়হন্দুনা থুগাইরল্লবা দুকান অদু হাওবম অনিলকুমার কৌবা মীওই অমগীনি। মমাঙ চহীগী জুন ২দসু শকখঙদবশিংনা মহাক্কী দুকান অসিদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক থোকখ্রবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোল্লদুনা জিরিবাম দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, জিরি অপূনবা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ, য়ুনাইটেদ জিরি য়ুথ লিক অমদি জিরি অপূনবা খুন্নাই চাওখৎ লূপনচিংবনা খূৎশম্নদুনা ঙরাং অয়ূক পুং ৬তগী হৌরল্লগা ঙসি অয়ূক পুং ৬ ফাওবা পুং ২৪গী বন্দগী খোঙজং চঙশিনখি। বন্দ অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামগী মহৌশাগী পূন্সিদা থোইদোক্লা অকায়বা পীখি।

## রিলিফ কেম্পতা ফাওবা ইমুংগী মীওইশিং...

*লমায় ১গী মখা...* মরাং কায়না থাবনিনা লৈমিন্নরকখিবা কুকিশিংনা ফাওবা ঐখোয়গী ইঙ্খোলদগী লৌরগা কৈথেলদা য়োনবনি। অসুম্না লৈত-লায়র তাথোক তাশিন তৌদুনা য়াম্না নুংশি চান্ননা শাংলবা চহী কয়া হিংমিন্নরকখিবনি। মরম অসিনা মখোয়না অতম্ননা ঐখোয়দা ওনশিন্দুনা লান্দারক্কনি হায়বসিদি মঙদা ফাওবা মঙখিদবা থৌদোক ওইরে হায়রি।

মে ৩দা চুড়াচান্দপুর রোমদগী তোৰ্বুংলোমদা কুকিশিংনা মীতৈশিংবু ফূ-চৈবা য়াওনা য়ূম-কৈশিং মৈ থাদুনা তাল্লে তাবদা কুকিশিংগা কৈরোই লৈকায়দৌনা লৈমিন্নবনিনা নুংশা থীবদি ফাওখি। মথংগী নুমিৎ মে ৪দা লৈমিন্নরকখিবা কুকিগী নিংথৌ/খুল্লাকপা য়াওনা অহলশিংগা মীতৈশিংগগী মরক্তা মীটিং পাঙথোকখি। মীতোপ চঙহন্দবা অমদি নুংশি চান্ননা অদুম হান্নগুম্না লৈমিন্নবা অমদি অমনা অমদা অকায় অতোয় অমসুং অৱা অনা থোকহনগুমসি হায়না ৱারেপ ফাওবা লৌখি। ৱারেপ অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা খূৎয়েক তৌনখিদ্রবসু নাকল অনীমক্লা অদুক্কী মতিক থাজনা ৱারেপ্পু লৌমিন্নখিবনিনা করিসু তৌরক্লোই খন্দুনা থোইদোক্লা নাচুংলুদে। (মথং-মথং)

GAS NEWS

**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 /8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C -9612493837

**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTO 27/02/24**
VALID FROM 21/02/24
HOME DELIVERY ONLY CONTACT NO. 8259939561/9089709738
OFFICE TIMMING 9:AM TO 3PM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS

**KHORIPHABA NAMBOL BK. UP-TO-DATE**
HOME DELIVERY : 8787632782/7005229445

**KHUMBONG INDANE BOOKING UPTO 22-02-24**
VALID FROM18-02-24
ONLY HOME DELIVERY SARVICE
OFFICE NO. 9774068549
HOME DELIVERY CONTRACT NO. 8974511936
MESSAGE NO. 8974511936

**STOCK. 306**
TIME 7.AM TO 9.AM

**CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTODATE**
14KG,10KG,19KG & 5KG
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 TO 10.00AM
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU

ꯇꯥ / Marksheet Lost

I have lost my Original Marksheet of Class XII bearing Roll No. 7698 of 2014 issued by COHSEM on the way from Kongba to Porompat DC Road, on 20th March 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Sorokhaibam Rohit Singh
Kongba Ucheckon, # 7005324137
HL-P/10200/31

Change of Name

I, Meisnam Ningol Konsam Ongbi Tomba Devi, DOB : 10-10-1995, W/o (Late) Konsam Munal Singh, a permanent resident of Thangmeiband Lourung Purel Leikai, Imphal West District, Manipur (India), do hereby declare that Meisnam Ningol Konsam Ongbi Tomba Devi and Meisnam Tomba Devi are one and same person vide affidavit No. 01AA 693065 dated 28th March 2024 before the Oath Commissioner, (Judicial), Imphal West, Manipur

Sd/- M. Tomba Devi
HL-P/10304/31

Marksheet Lost

I have lost my Marksheet of B.Sc 4th Semester bearing Roll No. 1101257 of 2013 issued by Manipur University on the way between Singjamei and Canchipur on 21st March 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Roshni Soibam
# 8132940744
HL-P/10197/31

Lost

I have lost my Original Certificate of Class X (2001) Compartmental Examination bearing Roll No. 34031 issued by Board of Secondary Education Manipur (BOSEM) on the way between Wangkhei Tokpam Leikai and Thoubal Bazar on 26th March 2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Thokchom Toni Singh
Wangkhei Tokpam Leikai, Imphal West
# 8787610402, Pin No. 795005, P.O. Porompat
P.S. Porompat Police Station
HL-P/10308/31

SPOKEN ENGLISH
FOR GENERAL CLASSES AND SPECIAL CLASSES FOR ONLY ONE PERSON
FOR SENIOR AND STUDENTS (OFFLINE OR ONLINE)
GLOBAL SPOKEN ENGLISH AND DOT COM COMPUTER
GOURAHARI MARKET, BEHIND POLOGROUND, NEAR HOTEL KHRISTINA PAONA BAZAR, IMPHAL
CLASS TIMING : 5:15 AM TO 6:30 AM, 6:30 AM TO 8:00 AM, 11:00AM TO 12:30 PM, 3:00 PM TO 4:30PM, 5:00PM TO 6:30 PM.
INSTRUCTOR : SIR TEJKUMAR (TEACHING SINCE 1987)
PLEASE CONTACT : 8132904426
HL-B/8573/30 Jan. to 28 March.

KINGDOM® INSTITUTE
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Recognized by Ministry of Corporate affairs, Govt.of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
• Computer (3,6 Months)
• Spoken Hindi
• Spoken English
AVIATION COURSE
6th Batch - 13th May, 24 ( 1 Year)
• CABIN CREW
• GROUND STAFF
OUR RECENT CHAMPIONS



(1) MPP Complex, Paona Bazar Behind Pologround
(2) Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)., Old Lambulane, Opp. GP Women's College 7005776944 / 8837407726
HL-B/8609/7.9 to 25 Att

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
ADMISSION OPEN
AVIATION
CABIN CREW & GROUND STAFF
at Just Rs. 15k till selection.
COMPUTER
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
SPECIAL PACKAGE FOR X, XI & XII APPEARED STUDENTS
at just Rs.3K for 3 months
ENROLL NOW
Limited Seats, Limited Period
MORE INFO # 7005214205 # 6009048058 # 9366338477
Terms & Conditions
HEAD OFFICE: OLD LAMBULANE, OPP. G.P WOMEN'S COLLEGE, IMPHAL.
BRANCH OFFICE: KEISHAMPAT HODAM LEIRAK MACHIN, NEAR SANGAI EXPRESS.
HL-B/8666/25/3-27/4

INNOVEGIC GLOBAL AVIATION
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Under IGI Pvt. Ltd.
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
Congratulations! OUR RECENT ACHIEVERS



HEAD OFFICE : OLD LAMBULANE, OPP. GP WOMEN'S COLLEGE,IMPHAL.
BRANCH OFFICE : KEISHAMPAT HODAM LEIRAK MACHIN, NEAR SANGAI EXPRESS.
HL-B/8666/25/3-27/4